# নোংমা খক্তদা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রো দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টর ৮২ হাৎখি : রিপোর্ট



য়াঙ্গোন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দা ম্যান্মার মিলিটরিনা ওং সাং সু কিনা লুচিংবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টপু কু তৌদুনা ইন্থখ্রবা মতুং মিলিটরি জুন্টা লাকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি।
খোঙজং চঙশিল্লিবা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু কন্ত্রোল তৌবগী মিংদা ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচমদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৬০০ রোম শিখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ৮২ দি হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হাৎখিবনি।
থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অমুক্কা হেন্না মীয়ামগী খোঙজং কনশিনখ্রে। ঙসিসু ম্যান্মারগী মনুং চনবা বাগোদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়া থোরক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নুং অমদি চেকতুম লংশিনবগা লোয়ননা পেট্রোল বোমশিংসু লংশিনখি।
সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়াম অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা অহানবগী ওইনা ৱাটর কেনন অমদি টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখি। অদুবু মীয়ামগী ঈহৌ অদু কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবদগী লাইফ রাউন্দশিং কাপখি হায়রি। ঙসিগী থৌদোক অদুদা মী কয়াম কয়াম্না অশোক অপন নংখ্রবগে নৎত্রগনা অশিবা য়াওব্রা হায়বগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি।
লৈবাক অদুদা ইন্তরনেট সার্ভিস থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা ম্যান্মার মনুংদা হৌজিক করি থোক্লিবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি হায়না এসোসিয়েট প্রেসনা ফোঙদোরক্লি।
লৈবাক অদুদা বেজ তৌবা ম্যান্মার নাওনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না টমুদা মশীং য়াম্লবা মীয়ামশিংনা হন্টিং রাইফল শীজিন্নদুনা মিলিটরি কনভোই অমদা এম্বুস তৌখি অমদি এম্বুস অদুদা লাম্মী ৩ হাৎখি হায়নসু টমুগী মীয়াম্না ক্লেম তৌখি হায়রি।
মিলিটরি জুন্টাগী মায়কৈদগীসু খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্বু কন্ত্রোল তৌনবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকপগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙজং অদু মনিং হলহন্নবগীদমক লৈবাক অদুগী মরু ওইবা মীওই কয়া ফাবগী থবক চথরি।
ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙলুবা মীওই খুদিংমক সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাবগী থবক চথরি। ম্যান্মার সেলিব্রিটি খরসু মিলিটরি জুন্টাগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক ৱারেন্ট ইশ্যু তৌখ্রে হায়রি।

# রেষ্টুরেন্টদা লাকখিবা কষ্টমরশিংনা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোন ঙাক্তবগীদমক পুলিসনা ফাইন থিহনখ্রে




পেরিস, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
পেরিসতা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ রেষ্টুরেন্ট অমদা লাকখিবা কষ্টমরশিংনা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোন ঙাক্কমদগীদমক পেরিস পুলিসনা ফারগা ফাইন থিহনখ্রে হায়রি।
লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্কা চৎতবা কয়া ফারগা ফাইন থিহনবগী থবক পাক শান্না চথরি। গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমদি লৈবাক অদুগী মিনিষ্টর ফাওবা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্কা চৎলমদবগীদমক পেরিস পুলিসনা মমাংদা ফাইন থিহনবগী থৌদোক লৈখ্রে।
হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা অন্দরগ্রাউন্দ রেষ্টুরেন্ট অদুদা মী কা হেন্না তিনবগা লোয়ননা অহৌবা মখোলশিং থাদোক্তুনা লাংবগী কমপ্লেন অমা পেরিস পুলিসতা তৌরকপদগী মফমদুদা পুলিসনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা মীওই ১১০ রোম পুন্দুনা পার্টি তৌরমখিবনি। রেষ্টুরেন্ট অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লল্লিবা মীওইশিং অদুনা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনদা য়াওরিবা য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক শুংশোয় শোয়দনা উপ্পা হায়বা ৱাফম অদুগী ৱাংমদা মাস্ক উপ্তুনা লৈরমখবনি।
পুলিসনা খুদক্তা পার্টি ওর্গনাইজর অমদি মেনেজর অদুবু ফাখিবগা লোয়ননা পার্টি অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা খুদিংমক গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্কা চঙলমদবগীদমক ফাইন থিহনখিবনি হায়না ফ্রেন্স কেপিটেল পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।
পেরিসতা লৈরিবা অন্দরগ্রাউন্দ রেষ্টুরেন্ট কয়া গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিংগী ৱাংমদা থবক তৌবগী পাউ ফংলে। মরম অদুনা মখা তানা অন্দরগ্রাউন্দ রেষ্টুরেন্টশিংদা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথবা হৌখ্রে। ঙসি চথখিবা দ্রাইভ অমদসু মীওই ৬০ না চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্কা চৎলমদবগীদমক ফারবা মতুং ফাইন থিহনখ্রে। অমদি রেষ্টুরেন্ট অদুগী মেনেজরসু পুলিসনা ফারে হায়রি।
নুমিদাংগী মতমদা পেরিষ্টতা পার্টি তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংলি। মীয়াম্না দিন্নর পার্টি তৌবদা পুলিসকী মায়কৈদগী অথিংবা লৈতে। অদুবু কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং অদুদি মীয়াম্না ঙাক্কা চৎকদবনি। করিগুম্বা মদু তৌরমদ্রবদি গভর্ণমেন্ট ওফিসল ওইরবসু ফাইন থিহনগনি হায়না মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি। রেষ্টুরেন্ট মপুশিংদসু য়ারিবমখৈ কোভিত-১৯ গী চৎনা কাঙলোন চৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## য়ু এ ঈনা স্পেস প্রোগ্রামগীদমক অহানবা ওইনা অরব নুপী অমা খনখ্রে



দুবাই, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ অরব ইমাইরেটস (য়ু এ ঈ) না অহানবা ওইনা অরব নুপী অমা স্পেস প্রোগ্রামদা শরুক য়াহন্নবগীদমক খনখ্রে হায়রি।
য়ু এ ঈনা এষ্ট্রোনোট ওইহন্নবগী পান্দমদা খনখ্রবা মশাগী চহী ২৭ রোম শুরবী ইমাইরেটি নেসনেল নোরা অল-মাত্রুসি মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়রিং গ্রেজুয়েট অমনি। মহাক হৌজিক হৌজিক অবু ধাবিগী নেসনেল পেট্রোলিয়ম কন্সট্রক্সন কম্পনিদা থবক তৌদুনা লৈরিবনি। চহী অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা পাঙথোক্কদৌরিবা নাসাগী এষ্ট্রোনোট কেন্দিদেট ক্লাসতা শরুক য়ানবগীদমক মহাকপু য়ু এ ঈনা খনখিবনি।
লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা য়ু এ ঈনা মুন রোভর অমা থাগৎনবা পান্দম থল্লি অমদি কুমজা ২১১৭ তনা মার্সতা খুন্দানবা পান্দম থল্লি। লৈবাক অদুদা স্পেস প্রোগ্রামগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্নবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি অমদি নোংম নোংমগী মায় পাকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

## লিবিয়ান পি এম টর্কিদা চৎকদৌরি



ট্রিপোলি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবদুল হমিদ বৈবে অমদি মহাক্কী মিনিষ্টর খরগা লোয়ননা হয়েং টর্কিদা থুংলরগনি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।
লিবিয়াদা মতম শাংনা থোক্তুনা লাকখিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিং অদু লোয়শিনখ্রবা মতুং মমাং থাগী ১৫ দা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা লাকখিবনি। অবদুল হমিদ বৈবেনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাক্লবা মতুং অহানবা ওইনা টর্কিদা চৎনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।
টর্কিনা মতম কয়াগী মমাংদগী ট্রিপোলি বেজ গভর্নমেন্ট ওফ নেসনেল একোর্দ (জি এন এ) দা মতেং পাংদুনা লিবিয়ান নেসনেল অর্মী (এল এন এ) গী ময়োক্তা লান শোক্লদুনা লাকখিবনি। পি এম বৈবেগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অদুদা মহাক্না টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টয়িপ এর্দোগানগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা অমদি খুৎলায় লৈবা য়োনবগী মতাংদসু খন্নগনি।

# লেবাননদা লৈরিবা দোমেষ্টিক ৱার্করশিং অমদি লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে

বৈরুট, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
লেবাননদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা দোমেষ্টিক ৱার্করশিংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লক্লি। মসি লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবদগীনি হায়রি।
লেবাননদা অতোপ অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাক্লগা থবক শুবা মীওই কয়া লৈরি। লেবাননদা থবক শুবা লাক্লিবা মীওইশিংনা মফমদুদগী ফংলিবা শেনফম অদু দোল্লরদা ওন্থোক্তুনা মশা মশাগী ময়ুমদা থানরি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবনা মরম ওইরগা মফম অদুদা থবক শুদুনা লৈরিবা দোমেষ্টিক ৱার্করশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি।
হীরম অসিগা মরী লৈননা বংলাদেশি দোমেষ্টিক ৱার্কর সর্ভিনানা ফোঙদোকখিবদা মহাক চহী ১০ রোমগী মমাংদা লেবাননদা লাকখিবনি। বংলাদেশ দিভলপ্পিং কন্ত্রি অমা ওইরবসু মফমদুদা থবক ফংদবগী অৱাবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা লেবাননদা থবক শুনবগীদমক মহাক লাকখিবনি।
অহানবদা মহাক্না পুং ৪ থবক শুবা মতমদা পাউন্দ ৬০ থাগী ওইনা ফংখি। মদু দোল্লরদা ওন্থোকপদা অয়াম্বা শেনফম নত্তে। লেবাননগী করেন্সি ভেল্যু হৌখিবা চহী খরা অসিদা হন্থখিবনা মরম ওইরগা হান্না দোল্লর ৩০ ময়া ফংলম্বা অদু হৌজিক্তি দোল্লর ৫/৬ তগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা ময়ুমদা থানবা অহেনবা শেনফম কায়থোকপা ঙমদ্রে।
লৈবাক অদুদা দোমেষ্টিক ৱার্কর ওইনা লৈরিবা মীওই খুদিংমক মহাক্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরিবা ঙাক্তনি। লৈবাক অদুদা দোমেষ্টিক ৱার্করশিংনা অৱাবা তারবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মরী লৈনবশিংগা দোমেষ্টিক ৱার্করশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রি।
হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দগী হৌরগা লেবাননদা করেন্সিগী ভেল্যু কা হেন্না হন্থখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী অহুমলোম অসিদা লৈবাক অদুদা থবক শুদুনা লৈরিবা শিন্মী কয়া অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। লেবাননদা হৌজিক থবক শুরগা ইমুং পুগনি হায়বগী ৱাখল অয়াম্বনা থাদোক্নরকপগা লোয়ননা মশা মশাগী মরমদমদা হন্নবা হৌখ্রে। মহাক্কী মপুরোইবসু মমাং থাদা লেবানন থাদোক্তুনা বংলাদেশতা হনখ্রে। মহাক মশাসু হন্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

# কেরিবিয়ন আইলেন্দগী শরুক অয়াম্বা মৈগী চীং পোকখায়বদগী পাইথোরকখিবা উৎশিংনা কুপশিনখ্রে



বরবুদা, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সেন্ট ভিনসেন্ট কেরিবিয়ন আইলেন্দদা লৈবা মৈগী চীং অমা পোকখায়রকপদগী মদুদগী পাইথোরকখিবা অশাবা উৎশিংনা কেরিবিয়ন আইলেন্দগী মফম অয়াম্বা কুপশিখিবগা লোয়ননা আইলেন্দ অদুগা থংননা লৈরিবা বারবাদোস আইলেন্দদসু ইস্পেকপীবা হৌরক্লে হায়রি।
লৈমায়দা তারক্লিবা উৎশিং অদু আইলেন্দ অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর কয়া নুংশিৎনা পুদুনা চৎখ্রবা মতুং বারবাদোসতা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা বারবাদিয়নশিংনা য়ুমদগী য়ারিবমখৈ মপান থোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা নুংশিৎতা য়াওরক্লিবা অশাবা উৎশিং অসিনা হকচাং শোকহল্লকপা য়াই হায়না কেরিবিয়ন দিজাষ্টর ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।
সেন্ট ভিনসেন্টদা লৈবা য়ুম কয়াসু ঙৌরপ তৌবা উৎ অসিনা মপুং ফানা কুপশিনখ্রে। ঙসি অয়ুক অঙনবদা আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা য়ুম ১,১০,০০০ গী মীওইশিংনা অঙকপা ওইনা লৈরল্লিবা ফীভম অদুবু য়েংনখি। নিংথম থাগী মতমদা উন তাবগা চপ মান্ননা উৎশিং অদুনা লৈমায়শিং কুপশিল্লম্বগা লোয়ননা তপ্না তপ্না উৎশিং তারকপা মীয়াম্না উনখি। মৈখু অমসুং উৎনা মরম ওইরগা অকোয়বগী মফমশিংদা ময়েক শেংনা উবা ঙমদবগী খুদোংচাদবশিং মীয়াম্না মায়োক্লেরি।
অকনবা সলফর মনম চেনবা উৎশিং অদুনা মশাগী অনাবা লৈবা মীওই খরদা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়না ইমর্জেন্সি সার্ভিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা আইলেন্দ অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামশিংগী চানা থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

# ইরান ন্যুক্লিয়র টোক মরক্তা য়ু এস দিফেন্স চীফ ইজরেলদা থুংখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র রিপ্রজেন্টেটিভ অমগা লোয়ননা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স লোইদ অষ্টিন ঙসি ইজরেলদা থুংখ্রে হায়রি।
ইজরেলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকা অফবা মরী থম্বা পাম্বগা লোয়ননা মতম শাংনা য়ু এসকা চৎমিন্ননিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা সেক্রেটরি অসিনা ইজরেলদা ভিজিট তৌখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ইরানগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটানয়াহুদা নুংঙাইতবা খরদি শোয়দনা পোকহল্লগনি। ওষ্টিনগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ইরানগী প্রাইম মিনিষ্টর নেতানয়াহুসু উন্নগদৌরি অমদি ইজরেলদা য়ু এসনা খুৎলাই সপ্লাই তৌবগী মতাংদসু ইরানগী লুচিংবশিংগা খন্নগনি হায়রি।
পনবা য়াবদি য়ু এস প্রসিন্টে দোনাল ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱাশিংটন তোকহনখ্রবা মতুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকখিবা অদুবু ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা ইরানদা পরা তম্বীরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# নোর্দন আইরলেন্দদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক অমুক থোকহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা আইরিস পি এমনা ৱার্নিং তৌখ্রে

বেলফাষ্ট, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
নোর্দন আইরলেন্দদা অমুক হন্না য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক থৌওংশিং চথরক্লিবা অদুগী মতাংদা আইরিস প্রাইম মিনিষ্টর মাইকেল মারটিননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা খূৎ থোক্কবগী থৌদোক মখা তানা তৌদবনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।
প্রো য়ু কে য়ুনিওনিষ্ট অমসুং প্রো আইরলেন্দ নেস্নেলিষ্টশিংগী মরক্তা হৌখিবা চহী খরা অসিদা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। ঙরাং বেলফাষ্টতা থোকখিবা থৌদোক অমদসু পুলিস ওফিসর ১৪ অশোক অপন নংখি। খূৎ থোক্নরিবা মীওইশিং অদুবু খামদোক্নবা হোৎনরুবদা খঙহৌদনা পুলিস তম্না পেট্রোল বোম লংশিল্লকপদগী ওফিসরশিং অদু শোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিস পর্সনেল ৮৮ অশোক অপন নংখ্রে।
বৃটিশনা রুল তৌরিবা নোর্দন আইরলেন্দদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চথরক্লিবা নাকল অনীগী খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্কা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ৩,৫০০ রোম শিহনখ্রে। মফম অদুদা মীশি মীনাগী থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা মাইকেল মার্টিননা ফোঙদোকখিবদা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা প্রো য়ু কে য়ুনিওনিষ্ট অমসুং প্রো আইরলেন্দ নেস্নেলিষ্টশিংনা অমুক হন্না খূৎ থোক্নরকখিবগী থৌওং অদুবু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈনান আইরিষ্ট ফোরেন মিনিষ্টর সিমোন কোভেনিনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী চয়োল অসি খ্বাইদগী হেন্না ৱাবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোকপা চয়োল ওইরি।
পোলিটকেলগী থাক্তা ৱারী শান্নরবা মতুং নোর্দন আইরলেন্দদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অদুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবা অফবা খোঙথাং ওইগনি। প্রো য়ু কে য়ুনিওনিষ্টশিংনসু য়ারিবমখৈ কন্ত্রোল তৌদুনা লৈগদবনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা খূৎ থোক্নদনবা আপীল তৌখি।

# ইজিপতা চহী ৩,০০০ লোম শুরবা মাঙখ্রবা সিটি অমা থেংনখ্রে


লক্সর, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
গোল্ডন এজ হায়রগসু খঙনরিবা ইজিপ্তা ফরাওশিংনা পাল্লিঙৈ মতমগী সিটি অমা ঙরাং অর্কিওলোজিষ্টশিংনা লক্সর মনাক্তা থেংনখ্রে হায়রি।
চহী ৩,০০০ লোমগী মমাংদা লৈরম্বা মাঙখ্রবা সিটি অসি অর্কিওলোজিষ্টশিংনা চথখিবা থিজিন হুমজিনবগী থবক অমদা থেংনখিবনি। মফমদুদগী শিন্মীশিংনা অরিবা চফুশিং য়াম্না চেকশিন্না পুথোরকপা পাউমীশিংনা থেংনখি। মী অমসুং শাশিংগী শরু পোলাং কয়াসু মফম অদুগী শরুক খরা তৌথোক্তুনা য়েংলুবদা থেংনখ্রে।
ইজিপতা মাঙখিবা খ্বাইদগী চাওবা সিটিশিংগী মনুংদা ঙরাং থেংনখিবা সিটি অসিনা খ্বাইদগী চাওবা ওইরি। সিটি অসি ইজিপকী চৎনবীদা ঈশ্বর অতোন অমসুং এমেনহোটেপ-৩ গা মরী লৈনৈ হায়না ইজিপটোলোজিষ্ট জাহি হাৱসনা ফোঙদোরক্লি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং থেংনখিবা সিটি অদুদা অচৌবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম থেংনখ্রে। মদুগী মনুংদা অমনা এদনিমিষ্ট্রেসনশিংগী লৈফম, ৱার্করশিংগী তুমফম অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিং লিংফম ওইরি। আর্কিওলোজিষ্টশিংনা মফম অদুদগী ফিরোল অমসুং সেন্দল শাফম অমদি অপিকপা মূর্ত্তিশিং শাফম মানবা মফমশিংসু থেংনখি হায়রি।
ইজিপকী সুপ্রিম কাউন্সিল ওফ এন্টিক্যুটিবগী মকোক মোষ্টাফা ৱাজিরিনা ফোঙদোকখিবদা মফমদুদা ঐখোয়গী বিল্ডিংগী মচেৎ মকাই উবা ফংবা খক্তা নত্তনা ইকনমি এক্টিভিটি, ৱার্কসোপশিং অমসুং লৈরঙশিংসু থেংনখি।
হাৱসনা ঙরাং থেংনখিবা সিটি অদুবু মাঙখ্রবা গোল্ডন সিটিনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইজিপতা ফংখিবা সিটিশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী চাওই হায়না আর্কিওলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবনি।
হাৱসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না থেংনরিবা অসিদি সিটি অদুগী শরুক খরা খক্তনি। সিটি অদু নোংচুপ অমসুং অৱাং থংবা শরুক্তা পাক শন্না শন্দোকখিবগী মমি উরি। কাইরোগী খা থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৫০০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অসিদা আর্কিওলোজিষ্ট টিম অসিনা মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌরগা এক্সকাভেসনগী থবক চথবা হৌরকখিবনি। রামজেস-৩ গী লাইশঙ অমসুং এমেনহোটেপ-৩ গী লাইশঙ অনীগী মরক্ত এক্সক্রেবেসনগী থবক অদু চথখিবনি।
অমরোমদা হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিদা ইজিপসিয়ন আর্ট এন্দ আর্কিওলোজিগী প্রোফেসর ওইরিবা বেটসি ব্রাইনা ফোঙদোকখিবদা টুনাখামুনগী টোম ফংখ্রবা মতুং হন্দক থেংনরিবা সিটি অসি আর্কিওলোজিটেল দিস্কোভরিগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইরি।
মফমদুদা থেংনখিবা পোৎশকশিং অমদি বিল্ডিংগী শক্তমশিং ফীভম ফনা লৈরি। চহী লীশিং কয়াগী মমাংদা শারল্লবা ফকলাংশিং অদু মতৌ করম্না হৌজিক ফাওবা তেক্তা কায়দনা লৈরল্লিবনো হায়বদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌরগনি। আর্কিওলোজিশিংনা মফম অদুদগী জ্বেলরি আইটেম কয়াসু ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা সনানা য়োম্বা অচৌবা ঙাগী শক্তম অমসু ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।



# সাউথ কোরিয়াগী পি এমনা ইরানদা চৎতুনা ৱারী শাগদৌরি

টেহরান এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
সাউথ কোরিয়া অমসুং ইরানগী মরী শোকচিনহল্লক্তনবা পান্দমদা সাউথ কোরিয়াগ প্রাইম মিনিষ্টর চুং সিকিয়ুং টেহরান্দা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অমা চৎতুনা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাগদৌরি।
হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসনা মালেমগী লৈবাকশিংগা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী তোকখ্রবা মতুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিন্দুনা লাকখি। অথিংবশিংগী মরক্তা ইরানদগী পোৎ লৈবা অমদি য়োনবা য়াওরি। মদুনা মরম ওইরগা সাউথ কোরিয়ানা ইরানদা পীফম থোকপা দোল্লর বিলিয়ন ৭ লোম পীদনা লাকখিবনি। শেনফমশিং অদু সাউথ কোরিয়ানা ইরানদগী লৈখিবা থাউগী মমলনি।
প্রাইম মিষ্টির চুংনা ইরানদা থুংলবা মতুং ফার্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট ইস’হক জহাংগিরি, পার্লিয়ামেন্ট স্পিকর মোহমদ বাঘের ঘালিবাফ, সুপ্রিম লিদরগী এদভাইজর অলি লরিজানি অমসুং প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিগা উন্নদুনা ৱারী শাগদৌরি। অমরোমদা সাউথ কোরিয়ানা ইরানদা পীফম থোকপা য়াম্লবা শেনফমশিং পীরকখিদবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ইরাননা সাউথ কোরিয়াগী ভেসেল অমসু হীরম অসিগা মরী লৈননা ফাজিনখি। মদুগী মতুং নুমিৎ খরনিগী মমাংদা অমুক থাদোকখিবনি।

## অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ু এসতা মীওই ২ শিহনখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী খা থংবা শরুক্তা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মরম ওইরগা মীওই অনী শিহনখ্রে হায়না ওথোরিটগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা য়ুম অমদি গাড়ী কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।
হীরম অসিগা মরী লৈননা লোকেল ন্যুজ চেনেল অমনা ফোঙদোকখিবদা লৌজিয়ানগী সেন্ট লন্দ্রি পেরিসতা লৈবা মশাগী চহী ২৭ লোম শুরবা নুপা অমা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা শিহনখ্রে। নুপা অদুনা ময়ুমদা হিপ্তুনা লৈরিঙৈদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মহাক্কী ময়ুম অকায় অতোয় থোকহনখি। য়ুম অদুগী মথক থংবা শরুক অদুনা তুমদুনা লৈরিবা নহা অদুগী মথক্তা তাশিল্লকপদগী শিখিবনি।
মশাগী চহী ৪৮ লোম শুরবা মীওই অমসু লৌজিয়ানাগী মনুং চনবা কেদো পেরিসতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা শিহনখ্রে হায়রি। লৌজিয়ান খক্তা নত্তনা ফ্লোরিদা অমসুং মিসিসিপিদসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চৈথেং পীখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অদুগী শরুক খরদা ইলেক্ত্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে। লম্বীদা হৌবা উ পাম্বীশিং অমদি য়ুম কয়া অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা লম্বীদা তেক্তুনা তুশিনবা অমদি ইন্থবগী থৌদোকশিংসু থোকখি।
থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পনামা সিটিগী মেয়র মার্ক সেলদোনা ফোঙদোকখিবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চৈথেং পীখ্রবা মীওইশিংগী মতেং পাংনবা ওথোরিটশিংনা হোৎনরি। খুদক্কী ওইনা মতেং পাংবা ঙমখিদবা অদুগীদমক মীয়াম্না ৱারৌদনবা আপীল তৌরকপগা লোয়ননা চানা থক্নবা পোৎলমশিং মতম চানা য়ৌহল্লক্লগনি হায়রি।

## ইরান ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিদা মৈহৌ লাংপোক থোকখ্রে

টেহরান, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী) :
ইরানিয়ন ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিদা ঙসি মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অদুবু লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা মিশি মিনা অমদি কা হেন্না অমাং অতাদি থোকখিদে হায়না ইনরানগী ন্যুক্লিয়র এজেন্সিগী ৱাঙাঙলোয় বেহরোজ কমলবন্দিনা ফোঙদোরক্লি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু য়ুরোনিয়ন ইনরিচমেন্ট ফেসিলিটিদা ইলেক্ত্রিকেল সোর্ট সারক্যুইট থোরকপদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নৎত্রগা পোল্যুসন থোকহনখিদে। য়াম্না চেকশিন্না থল্লিবা মফম অদুদা ইলেক্ত্রিকেল সারক্যুইটনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোকহনখিবা অদুগী মতাংদা কুপনা থিজিল্লগনি অমদি মদুগী রিপোর্ট মীয়াম খঙনা মতম খরগী মতুংদা থাদোরক্লগনি। অমরোমদা ইরান গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদু টেরোরিষ্টশিংনা থোকহনখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।